ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯳꯱, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯷꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, দিসেম্বর ৩১, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৭২শুবা মশীং

গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্সতা মণিপুরগী ফীভম

মীচম মীয়াম্না য়াবা লৈঙাক ওইহন্নবা হোৎনফম থোকই

যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ পর্সনেল, পব্লিক গ্রিভান্সেস এন্দ পেন্সন্সনা ফোঙবা লৈবাক অসিগী গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স (জি জি আই)দা নোর্থ ইষ্ট অমসুং হিল্স ষ্টেটকী কেটগরিদা মণিপুরনা ষ্টেট ১১গী মনুংদা ৮শুবা পোজিসনদা লৈরে। জি জি আইদা মণিপুরনা পব্লিক হেল্থ রেঙ্কিংগী মকোক ইথং থংনা লৈরবসু কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী রেঙ্কিংদদি খ্বাইদগী মমৈদা লৈরে। ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা গুদ গভর্নান্স দেগী থৌরমদা যুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর পর্সনেল জিতেন্দ্র সিংহনা ফোঙখিবা জি জি আইদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা ষ্টেট অমদি যুনিয়ন টেরিটোরিশিংবু কাঙলূপ অহুম থোক্না খায়দোক্লি। অচৌবা ষ্টেটশিং, নোর্থ ইষ্ট এন্দ হিল্স ষ্টেটশিং অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিশিং হায়দুনা কাঙলূপ অহুম থোক্না খায়দোক্লগা অখন্নবা কাঙলোন খরদা যূম্ফম ওইরগা জি জি আইগী রেঙ্কিং পীবনি। লৈবাক অপূনবগী ওইনা জি জি আইগী কম্পোজিট রেঙ্কিংদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী কাঙলূপতা টামিল নাদুনা মকোক্তা লৈরে। মহারাষ্ট্রনা অনীশুবা অমসুং কর্নাটকানা অহুমশুবদা লৈরি। পর্সনেল মিনিষ্ট্রিগী দেটা মতুং ইন্না ছটিশগরনা মরিশুবা, অন্ধ্র প্রদেশনা মঙাশুবা, গুজরাটনা তরুকশুবা, হরিয়ানানা তরেৎশুবা, কেরলানা নিপালশুবা, মধ্য প্রদেশনা মাপনশুবা, ৱেষ্ট বেঙ্গলনা ১০শুবা, তেলঙ্গনানা ১১শুবা, রাজস্থাননা ১২শুবা, পঞ্জাবনা ১৩শুবা, ওরিষানা ১৪শুবা, বিহারনা ১৫শুবা, গোৱানা ১৬শুবা, উত্তর প্রদেশনা ১৭শুবা অমসুং ঝরখন্দনা ১৮শুবদা লৈরি। অৱাং-নোংপোক লমদম অমসুং চীংগী ষ্টেটশিংগী কাঙলূপ্তা হিমাচল প্রদেশনা মকোক ওইরে। উত্তরখন্দনা অনীশুবা, ত্রিপুরানা অহুমশুবা, মিজোরামনা মরিশুবা, সিক্কিমনা মঙাশুবা, অসাম্না তরুকশুবা, জম্মু এন্দ কাশ্মিরনা তরেৎশুবা, মণিপুরনা নিপানশুবা, মেঘালয়ানা মাপনশুবা, নাগালেন্দনা ১০শুবা অমসুং অরুনাচল প্রদেশনা ১১শুবদা লৈরে। যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তদি পোন্দিচেরিনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরে। মতুং তারকপদা মথং-মনাও লৈরিবা অতৈ যুনিয়ন টেরিটোরিশিংদি চান্দিগর, দিল্লি, দামন এন্দ দ্যু, অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দ অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হবেলিনি। পব্লিক হেল্থ সেক্টর রেঙ্কিংদা নোর্থ ইষ্ট, চীংগী ষ্টেটশিং অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী কেটগরিদা মণিপুরনা পোন্দিচেরিগা পূন্না মকোক্তা লৈমিন্নরি। অচৌবা ষ্টেটশিংগী ওইনদি কেরলানা অহানবা, টামিল নাদুনা অনীশুবা অমসুং গোৱানা অহুমশুবদা লৈরে। পব্লিক ইনফ্রাষ্ট্রকচর এন্দ যুটিলিটিজ সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী ওইনা টামিল নাদুনা অহানবা, গুজরাটনা অনীশুবা অমসুং পঞ্জাবনা অহুমশুবদা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট, চীংগী ষ্টেটশিং অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী গেটগরিদা হিমাচল প্রদেশ অমসুং চান্দিগরনা মকোক্তা পূন্না লৈমিন্নরগা মণিপুরনা তরেৎশুবদা লৈরে।

এগ্রিকলচর এন্দ এলাইদ সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা মধ্য প্রদেশনা অহানবা, রাজস্থাননা অনীশুবা অমসুং ছটিশগরনা অহুমশুবদা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট অমসুং চীংগী ষ্টেটশিংগী কেটগরিদা মিজোরাম্না মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা ষ্টেট ১১গী মনুংদা ১০শুবদা লৈরি। কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা ঝরখন্দনা অহানবা, অন্ধ্র প্রদেশনা অনীশুবা অমসুং তেলঙ্গনানা অহুমশুবদা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট অমদি হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা উত্তরখন্দনা মকোক্তা অদুগা মণিপুরনা খ্বাইদগী মমৈদা লৈরি। যুনিয়ন টেরিটোরিগীদনা দিল্লিনা মকোক্তা লৈরে। হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্ট সেক্টরদা গোৱানা অচৌবা ষ্টেটশিংগী মকোক ইথং থংনা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট অমসুং চীংগী ষ্টেটশিংগী মরক্তা হিমাচল প্রদেশনা মকোক্তা, উত্তরখন্দনা অনীশুবা অমসুং মণিপুরনা অহুমশুবা পোজিসনদা লৈরি। যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তদি দিল্লিনা মকোক ওইরে। ইকনমিক গভর্নান্স সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা কর্নাটকানা অহানবদা, মহারাষ্ট্রনা অনীশুবদা অমসুং টেলঙ্গনানা অহুমশুবদা লৈরে। নোর্থ ইষ্ট অমদি হিল ষ্টেটশিংগী কেটগরিদা উত্তরখন্দনা মকোক্তা অমসুং মণিপুরনা মঙাশুবদা লৈরি। সোসল ৱেলফেয়র এন্দ দিভলপমেন্ট সেক্টরদা নোর্থ ইষ্ট অমদি হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা মেঘালয়ানা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা অপূনবা ষ্টেট ১১গী মনুংদা ১০শুবদা লৈরে। অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা ছটিশগর অদুগা যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তনা দামন এন্দ দ্যুনা মকোক ওইরে। জুদিসল এন্দ পব্লিক সিক্যুরিটি সেক্টরদা নোর্থইষ্ট অমদি হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা হিমাচল প্রদেশনা মকোক্তা লৈরগা মণিপুরনা তরেৎশুবদা লৈরে। যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তদি পোন্দিচেরি অমসুং অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তনা টামিল নাদুনা মকোক্তা লৈরে। ইনভাইরনমেন্ট সেক্টরদা অচৌবা ষ্টেটশিংগী মরক্তা ৱেষ্ট বেঙ্গল; নোর্থইষ্ট এন্দ হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা হিমাচল প্রদেশ অমসুং যুনিয়ন টেরিটোরিশিংগী মরক্তা চান্দিগরনা মকোক্তা লৈরে। হীরম অসিদা নোর্থইষ্ট অমসুং হিল ষ্টেটশিংগী মরক্তা মণিপুরনা ষ্টেট ১১গী মনুংদা নিপালশুবা পোজিসনদা লৈরি। গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্সতা মণিপুরনা নোর্থইষ্ট অমসুং হিলস ষ্টেটশিংগী মরক্তা মকোক থোংবা ঙমদ্রিবসি লাইবক থীবনি হায়না লৌবা য়াই। যুনাইটেদ নেসন্স কম্মিসন ওন হ্যুমেন রাইটসকী মতুং ইন্না গুদ গভর্নান্স হায়বসি প্রিন্সিপল নিপালদা যূম্ফম ওইরগা লেপ্পনি। হায়রিবা প্রিন্সিপলশিং অদুদি পার্টিসিপেসন, রুল ওফ লো, কন্সেন্সস ওরিয়েন্টেদ, ইক্বিটি এন্দ ইনক্লুজিভনেস, ইফেক্টিভনেস এন্দ ইফিসিয়ন্সি, একাওন্টেবিলিটি, ট্রান্সপরেন্সি অমসুং রেস্পোন্সিভনেসনি। ইন্টরনেসনল মোনিটরি ফন্দ অমদি ৱর্ল্ড বেঙ্কনা গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্সতা যূম্ফম ওইরগা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা শেন্থং পীবগী থৌওং চথরি। মালেম অপূনবগী ওইনা য়ানরবা ৱাফমদি অফবা লৈঙাক হায়বসি হীরম খূদিংমক্তা মীয়াম্বু শরুক য়াহনবগা লোয়ননা মীয়ামগী খোল্লাউ তাবীবা, মীচঙ-মীখায় নাইদনা রুল ওফ লো চৎনহনবা, হ্যুমেন রাইটস ইকায় খুম্নবা, মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগাৎহন্নবগী খূদোংচাবা ফংহনবা, লৈঙাক্কী থৌরাং খূদিংমক মনুং-মপান ফাওনা উহনবা অমসুং শেঞ্জা থুমজা লৈতবা অসিনচিংবনি। হৌখিবনা হৌখ্রবসু মথংগী গুদ গভর্নান্স ইন্দেক্স ফোঙলকপদা মণিপুরনা ইন্দিয়া খক্তা নৎতনা মালেম অপূনবগী মকোক ইথং থংনা লৈরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মীওইবগী পুন্সি খোঙচৎ লানফমগী লানফম ঙাক্তনি হায়নরি। অদুনা অসিগুম্বা পুন্সি লানফম অসিদা হিংনবগীদমক পোৎয়োনবী কয়ানা ইম্ফাল সহর ময়োল খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা অৱা অনা খঙদনা পোৎফম ফমদুনা অরৈ-লৈতগী লাম্হেংনরি। অদুবু লাম্হেংনবা অসিদা অহল ওইরবী অমনা- মৈসু মুৎখরে, মীৎ-নানা ফত্তবনে শেল হনবসিনা চুপ্লিবরা লাল্লিব্রা হায়হৌই। অচুম্বসুনি নোংঙাদ্রিঙৈদগী ইম্ফাল ময়োল খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলসিদা ইমা-ইবেল, ইচল-ইচে কয়ানা নোংমগী শিন্থা ওইনা চরা তানবা অরাপ্পা অমদি অনকপা মফম কয়াদগী অহিং হৌগৎতুনা লাক্নরি। অদুগা মানা মানা পুজরকপা মনা-মশিং, পোৎ চৈ কয়া কৈথেলসিদা য়োঞ্জরি। মসিদা খ্বাইরম্বন্দদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা ষ্ট্রিট লেম্প কয়া ঙান্নবা থানবীরি। অদুবু মল্লি-মল্লিবা নুমিৎ মঙাল লাকত্রিঙৈ অয়ূক পুং ৫ খজিক হেল্লকপদা হেক-হেক মৈ মুখৎপীরি। তৌববুদি মৈ মুখৎফম মতম ওইদুনা মুখৎপা ওইরমগনি খল্লি। অদুবু ওভরব্রিজ মনাক্কী অৱাং থংবা বি টি রোদকী ফুট পাথ পরিংগী মচি খরদা পোৎফম ফমজরিবী পোৎয়োনবী কয়াদি মৈ মম্ব্না অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। পোৎ চৈ লৈনবদা মোবাইলগী লাইট থাল্লগা লৈনবসু য়াওনরি।

মতাং অসিদা হায়জনীংবদি, মীয়াম তিনফম ওইরিবা কৈথেল অসিদংদি মৈ মুখৎপগী মওংসি হান্নদগী খরা খজিক থেংথনা হায়বদি পুং ৬ মুক তারকপা অদুৱাইদগী মুখৎহন্নীংই। অদুগা ফজবা সহর অমা হায়বসিসু মৈনা পুমঙাল ঙান্না থাল্লগা ফজবগী লৈতেং ওইনরিবনি। মায়কৈ খরদা ঙাল্লগা মায়কৈ অমদনা মৈ নিংথি নুংঙাইনা ঙান্দনা পোৎ য়োল্লিবা অসিগীসু মরী লৈনবনা মীৎয়েং অমুক্তং চঙহন্নীংই। মায়কৈ অমরোমদা মীয়াম তিনবা মফমখক্তদা নত্তনা মৈ মম্বা হায়বসি মতমসিগী শিৎলিবা নুংশিৎনা শেংদবনিনা অমম্বদা অচেংবা তাঞ্জা ঙাইবা কয়া অমসু য়াওদবা নত্তে। অফ-ফত্ত, হুরান-চিন্থি তৌরক্লোইসু হায়নীংঙাই লৈতে।

নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা কংলা পাৎকী পুট পাথ পরিংদা পাখঙমচা, লৈশাবী মচা অমদি অহল-নহা কয়ানা ৱাকিং চৎনরি। অদুবু লম্বীগী লেম্প থাল্লবসু ফুট পাথকী নাকলদা হৌরিবা উ পরেংশিংগী উসাশিংনা মৈঙাল অদু খনজিনবসু য়াওরি। নুংশা শারগা উগী উরুম থিবগুম নুমিদাং মৈগী মঙালদা হৈনদবা, উগী উরুম থিনবসু য়াওদবা নত্তে। অদুগা লৈঙাক্লা অৱা পোখানবা থম্বীরিবা ফম্নবা ফানশিংদি ইনখৎলক্লিবা কয়াগী লোন্না ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নফম ওইরক্লি। অদুগা কনাগুম্বা খরগীনা মতম লেনফম ওইবসু য়াওনরিবা অসিগীদমক্তদি ইরুজনীংবগা থোঙ্গা তেকপগা চপ মান্নখ্রে। ইম্ফাল সহর লূ-নানবগী মতেংসু ওইনবা কংলা পাৎকী খারিবা শম্বলদা হান্না থাল্লম্বা ষ্ট্রিট লেম্পশিং অমুক্তং শেম্বীদুনা থানবিরবদি অমম্বদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙম্বদা নত্তনা কংলা পাৎকী ফজবা হেনবনা ইম্ফাল সিটি লূ-নাননবদসু মতেং ওইগনি।

অমরোমদা মতমসিনা ফত্তবনা মমা-মপা ওইবা ঐখোয়না নুপীমচাশিংনা অয়ূক মল্লিঙৈ, নুমিদাং য়াচংবদা ৱাকিংনি হায়দুনা চৎহল্লিবা অসিদা করিগুম্বা খুদোংথীবা থোক্লগদি অফবা ওইরোইদ্রা খল্লি। অদুনা অফ-ফত্ত লম্বী চৎপা অউবা কনাগী চিন্দগী করিনো হৌজিকানসি মতৌ অমনি হায়নবা য়াওনরি। অদুনা মীওইবা ঐখোয়না শোয়দ্রিঙৈ নোক্কুনা চৎলম্বা অদুগা শোয়রবা মতমদদি কপ্পক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। শোয়রগা লৈবাক ৱাথোক ওইরক্কনি। মসিনা লৈঙাক্তা নত্তনা মীচম মীয়াম্না ৱামিন্নগনি। অদুনা ইচা ইশুবু লম অমদবু ওইরো, অমদবু ওইরো কুপ্পা য়েংশিনফম থোকই। পুন্নমক ঐখোয় ইশা ইশানসু ৱাখল মুন্না খন্থমিন্নদুনা ‘করিনো হৌজিক্কানসি মতৌ অমনি’ হায়বা ৱাহৈসি হায়খিদনবা অফবা ৱাখল্লোন চেন্নদুনা, ফজবা ইরমদম লৈকোল শেল্লগা লৈরাংগুম নুংশিবা লৈনম য়েনবনা হেন্না ফগদ্রা খঞ্জে। লোয়ননা মথক্তা থমজখ্রিবা ৱাফমশিং অসিদা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

অদোমগী - তবানু খুরাইজম, ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়

হেপ্পি ন্যু য়র ২০২০

হেক্তা হায়নীংলকই - ৫৮৭

জিতেন নামৈরাকপম

বসন্তগী মতম লাকপদা পূক্নিং নৌথোক্তবা, থম্মোয় মথুম-মরাং হৌদববু কনা লৈবগে? মীওইবদা নত্তনা জীব পানবা পুম্নমক্কী ৱাখল, থম্মোয় পূক্নিং মকা লাম্না মতমনি বসন্ত ঋতু। মচু-মচুগী লৈরাং কয়া ফুগায়না শাৎলকপা, হঙ্গাম মপাল, চুম্ব্রে মপান, হৈনৌ মপাল, মখল মখলগী হৈরাং-লৈরাং কয়া য়েন্নিং হুল্লকপা, মপাল শারকপা মতমদা উচেক-ৱায়া, তীল-কাং, মচু কয়াগী কুরাক, লৈহী খোম্বা হয়িংখোই কয়ানা মবুক পেন্না লৈহী চুপচবা, কয়াদা পূক্নিং মকা লাম্লবা মতমনো। শাবী-শানৌ, পাখঙ-লৈশাশিংগী ওইনসু খ্বাইদগী নুংঙাইজবা মতম য়েন্নিং থা অদু হৌজিকমক্তি নৎত্রি। হৌজিক অসি ৱাকচীং উল্লেন তারকপগী ত্রৎ-ত্রৎ চিংশিনবমখৈ ঈংবা মতমনি। ঙসি ৱাকচীংগী ৫নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎ, ইংলিস কেলেন্দরদনা দিসেম্বর ৩১, বাই-বাই নুমিৎনি। কুমজা ২০১৯বু কায়নবা, থম্মোয় শোক্না অদুগা কুমজা ২০২০বু হরাউ তয়াম্না ওক্নরগদবা মতম! বাই-বাই নুমিৎ খুদিংগী কপ্লিংঙি ঐদি, ঐগী চহীনা খাম্বা ঙমদনা অসুম-অসুম চৎখিবগী। অহল অসুম-অসুম ওইশিল্লক্তুনা মংফমলোমদা অসুম-অসুম নকশিল্লকপগী। ন্যু য়র লাকপগী হরাউ তরাম্না ওকচবনা লাক্নদৌরিবা চহীসিদা ঈং-তপ্পা, অৱাৎ-অপা লৈতবা, অনা-অয়েক য়াওদনা পুন্সি নুংশাংনা হিংমিন্নবা পুন্সিগীদমক!

কদোমদগী ফৈনা হাইজিল্লকপা ৱাখলনো খঙদে। ন্যু য়র লাকপদা নহা ওইবা যৌবনগী মতম নীংশিংলকই। ন্যু য়রগী মতমদা পাখঙ লৈশা, শাবি-শানৌ, নুংশি-নুংওল লম্বীদা খোঙদারবশিংনা খুদোল পোৎ পীবা কন্না চৎনরম্মী। তনৌরবী নুজা অদুনা মশানা কাটা লোন্দুনা শামতুগী জর্সি, মফলর, চুমশা, লোংকোৎ, থৌরী ময়েক, ঙা ময়েক, মখল-মখলগী দিজাইন্দা মাগী মাগী নুংশিনবা নুপাদা খুদোল ওইনা পীবা চৎনরম্মী। ফ্রেম চল্লগা মচু-মচুগী লংনা, য়েৎতুম্না লোনবা রুমাল, মোনখুম, মোম্পাকফিদক নৎত্রগা মাঙ্গোনগী ফক্লাংদা ফ্রেম চল্লগা থেৎপা উশা অমত্তদা তোংবা উচেক অনী, মখল-মখলগী সিনরি, তোঙান তোঙানবা ৱাহৈশিং, লব ইজ ব্লাইন্দ, কাউথোকপীগনু ঐহাকপু, মেমোরি কমস ফ্রোম ইভেন্টস ... পীনরম্মী। মতমদুগী মৈতৈ নুপী ওইবী খুদিংমক য়োংখম ফি শাবা, ফিদা লোনবা, শামতু লংনা মখল মখলগী ফুরিৎ-ফিরোল লোনবা হৈতবা অমত্তা য়াওরমদে। হৌজিক্কী ইনখৎলক্লিবা নুপীমচা লৈশাবীশিংনা কমদৌরিবা! য়োঙখম ফি শাবা, য়োঙখম কোনদা পাঙন্দেম হুল্লগা, চিংলগা ফনেক ফিরোল শাবা হৈববু কনা য়াওরিবগে? চাম্মগুম্বগী মনুংদা মঙাগুম্বদি হৈরমগদ্রা! ফৌরাদা ফৌ ফৌবা, চক্রি তকপা, শুম্বলদা লক্ল-লক্লদুনা নাকল-নাকল লেপ্পরগা ফৌ শুবা, চাইথোরকপশিং খোঙনা শুম্বল মখুলদা শৎ-শৎ খোৎচিনবা হৈববু কনা য়াওরিবগে? পুম্নমক পুৱারীগী ৱারী ওইনা লৈহৌরে। রাইস মিলদগী লংত্রিক লংনা তক্কুনা পুরক্লবা চেঙ খপ্পা হৈতবা নুপীমচা কোঙ্গায়নি। মখোয়না হৈরিবা হায়ববু য়াহৌ থেংবগা, মোবাইল মেৎপগদি টোপ্পর ওইবা তানখৎলক্লি। ৱাইরম তৈবা, ধুপ থাউমৈ, হৈরুক-হৈরা, লৈশু শেম্বা-শাবা কৎপা হৈতে, চাক থোংবা হৈতেগা হায়রগা লেম্নবদৌনা তৌখৎলক্লি। মতমনা পুরকপা অওনবনিদি হায়নরগসু মসিনা চন্নফম লৈনীংঙাই লৈতে।

নুপাসুনি, মতম অদুদা ঐখোয়দি অহল-লমনশিংবু য়াম্না কি-হঙ্গোয়না চৎচরকই। ইথক্কী অহলনা হায়রকপা ৱা অমত্তা হিক্তোকপা চৎনখিদে। নুংশি-নুংওলগী মতাংদসু অদু মঙায় ইমা-বাবা, ইথক থোংবশিং, মবুং-মৌপ্পা, মরী-মতা ফাওবদা অসুক্কী মতিক লুনা খন্নরমই। ন্যু য়রগী মতম লাকপদা মাগী-মাগী নুংশিনবা নুপীশিংদা খুদোলপোৎ পীবা, ফিরোললা, ফুরিৎলা নৎত্রগা মানা পামজবা পুন্সিগী কাউঙমদনা থম্বা য়াবা পোৎশকশিং পীবগী চৎনবী লৈনরম্মী। নুংশি চিঠিগী মতেংনা নুংশি পাউ ফাওনবা মদুসু ওম্থোক্না ৱানা, নুংশিবীদুগা নক্না তিন্নবা মশুং-মমান্নবীগী মতেংনা, ওম্থোক্না মগুন লৈখ্রবা! নুমিদাংৱাইরমগী মতমদা শেগাদা সনাবুল য়েপ্পগা লৈকায় পুখ্রিদা ঈশিং শোকপা লাকপা মতারোয়শিংগা লোয়ননা মতুং ইল্লুবসু য়াদা, ইকায়খঙদবগী হৌনশা অপাম-নুংশিনা হেনমনখিবনা মনাক্তা চঙশিন্দুনা ৱাহৈ খরা হায়রুববসু মদুগী পাউখুমদি পীরমদা হায়ফেৎ নোক্লপ, চেপ্লপ মীৎচিগী পাউখোঙ চল্লম্বা কয়াদি ৱানখি নুংশি পাউখুম ঙাইবদা। চিঠি, মদুসু নুংশি চিঠি মফমদা য়ৌনবা হোৎনবদা নুমিৎ কয়া চঙখি। পাউখুম, নুংশি পাউখুম ঙাইবদা থাদা, চহীদা চঙনখি। মতমদুগী নুংশিনবদু মমল অসুক্কী মতিক লৈখ্রে। প্রোগ্রামগা হায়নখি, লৈরক খুল্লক্তা চৎমিন্নগনি, ৱারী শামিন্নগনি, মতমদুগী কোয়লাস থাদবা সরক্কী-লম্বীগী নূং কাওর-কাওরগা চৎপদা খোঙউপ মতোন শেগায়খি। ঙাইহাক ফম্বোই লেপ্পোই তৌনগনি অহাংবা লম্বী-লমহাংদা, শম্বলৈ মনা থৎপদা, লুকথরগা নাপী থৎপতদা ৱারীদি লোইহৌদে শম্বলৈ মনা, নাপীদি ফনয়াম্না থদৎনখি। মতমদুগী নুংশিনবদো ওম্থোক্না ইকায় হঙ্গোয়না থাক ৱাংনা থম্নরম্বা রোমান্সনি। নুংশি নুংওলগী মতাংনি। রোমান্স হায়বগী ৱাহম্থোক্তি নুংশিনবখক নত্তে। উপন্যাস, থৌদোক পরেং, ঙক্লিংঙাই ওইবা সমুদ্রগী ঈশিংনা ঈথক-ঈপোম হৌরক্তুনা তোর্বানগী নাক-য়েৎ ওইদা লৈবা রোক, ক্লীফতা শাফু কন্না কন্না য়ৈবসু রোমান্সনি। মথক্তা পঞ্জখিবনা নুংশি শাফু রোমান্সনি। মতমদুগী পাখঙশিং ইচম চম্নরম্মী। হৌজিক্লা কমদৌরিবা। ঙক্লিংঙাইনি, কিনীংঙাইনি। নুপী কোয়বগসি য়াম্না শাথীনা মতম চঙদনা নুপাসু নুপীসু চথনরবা জাৎনি। মতম অদুদদি নুংশি ৱাহৈ অমা ফোঙদোকপা মতমদা মদুগী মগুন, মওং মতৌ, শাওং-শাদা, থম্মোয় পূক্নিং ৱাখলগী এবষ্ট্রেক ওইবা শক্তম পুম্নমক উৎলবা মতুংদা মগুন লৈনা ফোঙদোক্নরম্মী নুংশিবা! হৌজিক্কী অঙাংশিং, ইচা-ইশুশিংনা ঙাওনরিবা ৱাতা-খোন্দাশিং মদুসু স্মার্ট ফোন্দা, খংপ্রেক-খংপ্রেক খংগে তৌই। মসিসু মতমনা পুরকপা অওনবনি হায়গদ্রা। অদুবু থকসি-খাসি ফজবা, নোল্লুকপা হায়বদু মাঙলকপসিদা পূক্নিং অসি খোয়রাংলকই।

ঙসি দিসেম্বর তারিখ ৩১গী অহিং নোংয়াই হেক লানখিবদা লাউনরক্কনি মায়কৈ খুদিংদা বাই-বাই ২০১৯, হেপ্পি ন্যু য়র ২০২০। থানরক্কনি অহৌবা বম্বুলা। কাপখৎলক্কনি মৈকাপ্পী, রোকেট মচু-মচুগী মখোলগা লোয়ননা লৈ লিশীং লিশীংনা অতিয়া মথক্তগী চাইথরকপগুম চাইথরক্কনি। চৎনগনি পিক্নিক, তৌনরক্কনি ঈশৈ নোংমাই, গাড়ী য়াঙনা-য়াঙনা থৌনরক্কনি ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাশিল্লগা, গাড়ীগী কেপাসিটি ৱাংমদা তোংশিন্দুনা লমজেল তান্নরক্কনি। নুংশি-নুংওলগী লম্বীদা মৈরৌ হেঞ্জিল্লবশিংসু চৎনীং-চৎনীংবা মফমদা কোয়বা চৎনরক্কনি। নুংঙাইবগী নুংঙাইবা ঙাক্তা ফোঙদোক্নরক্কনি - ৱিশ য়ু এ ভেরি ভেরি হেপ্পি এন্দ প্রোসপরস ন্যু য়র ২০২০।

হরাউ তরাম্বা ফোঙদোকপদা খাঙুথক্তা পুন্সি লোমহনগুমসি। পিক্নিক চৎলসু, কোয়বা চৎলসু ঈথক-ঈৱাংনা হেনমনখিদুনা মমল য়াল্লবা পুন্সিবু মাঙহনগুমসি। বাই-বাই, ন্যু য়র নুমিত্তা মী কয়া শিবা, এক্সিদেন্ট থোক্তুনা মীওই কয়া অমা শোয়নাইহৌগদবা নুমিৎশিং অসিদা অদোম অদোম অমদি ইচা-ইশুশিং য়াওহৌদনবা হোৎনবীয়ু। নঙ-ঐ এক্সিদেন্ট থোক্কদৌরে হায়বসি শুকখঙ-খঙহৌদবনি। খুদক্তা থোরকপদা দষা তানখিবা ঙাক্তনি। মতাং অসিদা লৈঙাক্লসু ঈৱাং কন্ট্রোল তৌবীহৌ। অরোয়বদা পুম্নমকপু অনৌবা চহী ২০২০ লাকপগী য়াইফ পাউজেল পীজরি। ●

BYE BYE 2019,
WELCOME 2020!

মীনাৎ লাইনীংনা ইরম লাইনীংদা খোঙলৌবা - ৫

ৱাখল ইহুল

সোরাম ইবোহল লুৱাং

মৈতিংঙু খাগেম্বনা মপাবুং মুংয়াম্বগী মহুৎ শিন্দুনা মশাগী চহী ২১ শুবা খৃ: ১৫৯৭ তা কংলৈপাক্কী ৪৬ শুবা নিংথৌ ওইখি। মৈতিংঙু খাগেম্বগী মতমদা কংলৈপাক্তা অনৌবা চৎন-লোনচৎ কয়া হৌদোক্লম্মী। কংলৈপাক্কী লৈবাক মীয়ামগী অমদি খুন্নাইগী মাঙনবা তৌরমদে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অদুনা কংলৈপাক্কী মশক থোকপা মৈতিংঙু নিংথৌনি হায়বা য়াই। মতুং তারকপা নিংথৌশিং খরগা কয়াম খেনবগে হায়বসি নৈনবা নুংঙাইনবা মৈতিংঙু খাগেম্বনা নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মতম খৃ: ১৫৯৭-৪২ হায়বদি চহী ৫৫ অদুগা পুন্সিখিবা মতম্না চহী ৭৬ সিদা কংলৈপাকসিদা হৌদোক্লম্বা অমদি তৌখিবসিং শন্নপ্পা নীংশিংজরক্কে।

মৈতিংঙু খাগেম্বনা ইবেম্মা তাইপোম্বী, অঙোম চনু নুংথিল চাইবী অমসুং কোংবম চনু- অহুম্না পান্নবদা ইবেম্মা তাইপোম্বীগা লোয়ননা মৈতিংঙু খাগেম্বনা কংলা ফম্বাল তোংলম্মী। লৈমরেল তাইপোম্বীনা খৃ:১৬২১দা মচা ইবুংঙো অহল খোংজোম্বা, খৃ: ১৬২২দনা মচা ইবুংঙো য়াইমা খুঞ্জাওবা অদুগা খৃ: ১৬২৫দনা মচা ইবুংঙো অতোনবা নোংপোক খোংফেন থৌবা তোনাবা মথং মথং পোক্লম্মী। মৈতিংঙু খাগেম্বগী অনীশুবী ইবেম্মা অঙোম চনু নুংথিল চাইবীনা মচা ইবুংঙো তাইবং খাইবা পোকই, লাই ওইখি। অহাং অসিনা মশাগী চহী ৫ শুরকপা মতমদা থিবা খঙদনা মাঙখিবদু কোইথি থিনরিঙৈ মতমদুদা পাঙম্বম চনু শামুখোঙনা ফংবীনা চেঙহি-উতিনা মকোক লুজগে হায়দুনা ইম্ফাল তুরেলগী হিদেন্দা চৎপদা অপোং/পোং ইঙ্খোলদা হৌবা উ পাম্বী অমগী মথক্তা মচা ইবুংঙো তাইবং খাইবনা শেৎপা ফিজোল অমসুং খোঙজিনচিংবা য়ান্দুনা লৈরম্বা অদুগা নুংতি নুমিৎ খুদিংগী পায়দুনা শান্নজবা কংজৈনা উগী উখোংদা লৈরম্বা থেংনবদু লৈবাক্কী অখঙ অহৈ, অমাইবা, অমাইবীশিংদা হায়রগা তানদুনা য়েংবদা-তাইবং খাইবা “লাইনিংথৌ সনামহি”গী মপোক লাংওননি হায়রম্মী। মৈতিংঙু খাগেম্বনা মচাগী নুংশিবা শক্তম্বু কাউদনবা লাইনিংথৌ সনামহিগী শক্তম শাদুনা লাৎলম্মী।

মৈতিংঙু খাগেম্বা নিংথৌগী মতমদা হৌদোক্লম্বশিং:-

মৈতিংঙু খাগেম্বা নিংথৌগী মতমদা খৃ: ১৬০৫দা দোলাই তোংবা হৌদোক্লম্মী। মৈতৈনা শিবগী পোৎলোইবা অসি হান্না য়ুমলক্তা মং ওইরম্বসি চহী অসিদা য়ুমলক্তা পোলোইবগী মং ওইবসি নুঙাইতে হায়দুনা পোৎলোইবগী মংবু খুনগী পনপান্দা হোংদোকহনবদগী মৈতৈনা শিরগা য়ুম্লক্তা পোৎলোইদুনা মং ওইবা তোক্নরকখি।

মৈতিংঙু খাগেম্বনা লৈবাকসিদা মমাঙঙৈদগী হায়বদি মৈতিংঙু নিংথৌ কাংবা অমসুং মৈতিংঙু নোংদা লাইরেন পাখঙবগী মতমদগী শান্নদুনা লাক্লবা শগোল কাংজৈগী মশান্না অসিগী মথক্তা শগোল কাংজৈ শান্নবদা শান্নরোয় মশা মউ ফবা নিপা ৭/৭না নাকল অমমমদা লেপ্পরগা শান্নবগা চপ মান্নবা মওংদা খোঙ কাংজৈ শান্নবা হৌদোকখি। কাংদ্রুমদি ৱারু অনৌবনা ওইরম্মী। মৈতিংঙু খাগেম্বনা লৈপাক্কী অঙম অথৌ ফম্নাইবশিংনা লৈবাক মীয়াম তিনবা নিংথৌগী থৌগল, লোয়শঙ কাবা মতমদা লেংখাং, পাক্লৈ চিন্দুনা কোকয়েৎ য়েৎতুনা কোনুং কাবা হৌদোক্লম্মী।

খৃ: ১৬০৮দা মৈতিংঙু খাগেম্বা নিংথৌবু লাইয়িংথৌ হায়না কৌবা হৌদোকপগা লোয়ননা নিংথৌদা খুরুম্বসু হৌদোক্লম্মী। অসুম্না তৌবা পুম্নমকপু লন-থুম পীরম্মী।

মৈতিংঙু খৃ: ১৬০৯দা মৈতৈ নুপীশিং, অমদি সনাকোনুংগী ইবেম্মশিংবু লিরুং তেন পায়হন্দুনা লম ২৫ লাপ্পা মফমদা শা অমা শাদুনা থল্লগা শা অদুদা তেনজৈনা পানবা ঙম্বা তান্নহন্দুনা মখুৎ চুম্বা, শা অদুদা পানবা ঙম্বী নুপীশিংদা মনা মথুম পিদুনা লিরুং তেন শীজিন্নবদা পূক্নিং থৌগৎপীরম্মী।

খৃ: ১৬১০দা নোংপোক মৈরমগী চীংমাইদা খুন্তাবা নিংথৌ ১০না খাগী নিংথৌদা চৎতুনা মৈতিংঙু খাগেম্ববু মাঙ তাক্লবা অমুক্তা তৌবীয়ু হায়জবদু, খাগেম্বা নিংথৌগী মথক্তা খাগী নিংথৌনা লান্তাদুনা মাঙহন তাকহন্নবগী পাঙ্গল লৈতবদগী খাগেম্বা নিংথৌগী মথক্তা করিগুম্বা খরদি তৌনিংবদগী খাগী লৈপাক্তা লৈবা মোঙ্গোশা মনুবাক কৌবা, লাক্লা ফানা ঙমদ্রবা, পিজবগী পেনবা নাইদ্রবা মীশা চাবা হিংচাবদু কংলৈপাক্তা থারকলম্মী। হায়রিবা তমথীরবা হিংচাবসি মৈতিংঙু খাগেম্বগী মপা ইবুংঙো মুংয়াম্বনা মোইদনা হিংচাবা হাৎপদা শীজিন্নখিবা তা খাংশু নহা অমদি থাঙ খুবোম্বনা মোঙ্গোশাবু হাৎলগা হৈবী মখোঙদা ফুল্লম্মী। চহী অসিদা কাংচুপ হিদাক থকপসু হৌরম্মী।

খৃ: ১৬১৪দা মৈতিংঙু খাগেম্বনা কবো কিয়াং অমদি কাংচুপ তাইপোংদা লান্তাদুনা তাইপোংগী শিন্মী লাংখম ফারকখি। চহীসিদা মৈতিংঙু খাগেম্বনা খাগী চেকশাবা হৈবশিংবু চেক শাহন্দুনা সনা কোনুংগী সনথোং অকোয়ববু চেক্লা কোইশিন্দুনা চেকপল খারম্মী। লল্লোন ইতিক তৌদুনা লৈবাক্কী শেন্মিৎলোন ফগৎহন্নবা তোঙান তোঙানবা মফম ১০দা কৈথেলশিং লিংখৎলম্মী- সনা কৈথেল; খা কৈথেল; ফাইবুং কৈথেল; মোইরাং কৈথেল; খুমন কৈথেল; চাইরেন কৈথেল; কোনতোং কৈথেল; অন্দ্রো কৈথেল; সেক্তা কৈথেল অমসুং ৱাংগোই কৈথেলশিংসিনি। লৈবাক মীয়াম্না লম্বী চৎপদা নুংশাগী মৈশাদগী ঙাকথোক্নবা লম্বীগী নাক য়েৎ-ওই অনীমক্তা সনা খোংনাংনচিংবা অতৈ উ কয়ামরুম থারম্মী।

খৃ: ১৬১৫দা মৈতিংঙু খাগেম্বনা ঘাতি হিদেন্দা মুগলগা ৱারী শানদুনা খূৎশম্নবা হৌরম্মি। মসিগা লোয়ননা মৈতিংঙুনা হীরম কয়ামুক্কী মখল মখাগী লাইরিক কা ইথোক্তুনা খৃ: ১৬১৬তগী কংলৈপাকসিদা ময়াম হুপ্পা লাইরিক তম্বা হৌহনলম্মী।

খৃ:১৬১৭তা মৈতিংঙুনা ৱাঙ্গোলদা ফুরা লাইয়ুম শাবসিনা কংলৈপাক্কী ইহান হানবা চেক্লা শাবা লাইয়ুম/লাইশঙনি। উমং লাইদা নুপী থাজদুনা লুহোংবা সনা হাক্তক্তগী থোকখিবনা নুঙ্গোই তোংবা চনুবু চহীসিদা থাংচীং নিংথৌদা থাজরম্মী। মৈতিংঙু খাগেম্বনা লৌউবা লৌমিশিংদগী লৌশান ইহান হান্না খোমগৎপা হৌরগা ফৌ অদু লৈবাক্কী ওইনবা মফম কয়াদা ফৌকৈ (গোদাউন) শাদুনা থম্লম্মী। লৈবাক্কী শা-লান থোকপা মতমদা লান্মীশিংগী চেঙজেল ওইনসু পুহল্লম্বতা নত্তনা, চাক তাঙবা থোক্তুনা চাবা ফংনদ্রবা মতমদা লৈবাক মীয়ামদা লেমনা য়েম্থোক্তুনা লৈবাক্কী অৱা তারবা মীয়াম্বু কনবদা শীজিন্নে।

খৃ: ১৬২৮দা নোংমৈ শাবা হৌরম্মী অদুবু শাবগী মওংদু খরদি লাল্লম্মী। কংলা মৈ চাকখিবদগী খৃ: ১৬৩১দা কংলা অমুক হন্না নৌহৌনা শানবগী মাইচৌ থেঙ্গ্রাদা উরেপ য়ুংনবগী অফবা নুমিৎ, থবান, পুংফম য়েংহনবদা মাইচৌ থেঙ্গ্রানা লমতাগী ১০নি পানবা য়ূমশকৈশা নুমিৎতা কংলাগী উরেপ য়ুংনবা অফবা পুংফম পীবদুদা উরেপ য়ুংলবদি সনাগী থম্বাল শাৎকনি হায়বদু উরেপ য়ুংবা মতমদা মতম খজিক শোয়নখিবদগী সনাগী থম্বাল শাৎত্রে। মৈতিংঙুনা মচিন থি হায়দুনা মাইচৌ থেঙ্গ্রাবু অঙাং ওলহল্লু হায়না সনা য়াথং পীদুনা শুগ্নুদা পুহনখ্রবা হেক মতুংদা কোনুংদা লালুপ কাবা পাঙল অমনা মায়চৌ থেঙ্গ্রানা পীবা পুংফম চপ চানা লফু অমা থাবদা সনাগী থরো অমা শাৎলে হায়বগা লোয়ননা পুংফমদুদা থাবদা শাৎপা সনাগী থরোনি হায়দুনা পুখৎলক্তুনা নিংথৌগী মফমদা কৎলরে। নিংথৌনা শোয়খিবদুগীদমক মনাই অমা থারগা মায়চৌ থেঙ্গ্রাদা পাঙল লালুপ কাবা অমনা লফু পাম্বী থাবদা সনাগী থরো শাৎলে মায়চৌগী ৱা শোইদে - মায়চৌবু সনা কোনুংদা লাক্নবা কৌখৎলুচো থারকপনি হায়বদা মায়চৌ থেঙ্গ্রানা মতম লোইরে - মায়চৌদি তুরেলগী ঈরেন্দা লুপখ্রে তম্নবা হায়দুনা কোনুংদা চৎসি য়াখিদ্রে। মায়চৌ থেঙ্গ্রানা থুপখিবা মফম ঈরেন অদুবু হৌজিক ফাওবা কোপোক ঈরেন হায়না শুগ্নুদা লৈরি।

কংলা শাবা লোইরগা কংলা হোংবা নুমিৎতা কৌব্রুনচিংবা লাইখৈবিকপু কুচুদা ফিজং খন্দুনা ইরোই, হামেং, য়াও, ষণ, কাঙঙা, ঙানু, খুনু, য়েন, হুই, হৈ-লৈ লৈরিবা খিবিকপু ১০০/১০০না খুজিং ওইনা কৎতুনা পুন্সি নিরম্মী। কংলা হোংবা লোইরবা মতুংদা লাইবু ‘লাইচিং চিংই’ হায়বদু লাই মমিং পল্লমদবদি লাইনিংথৌ সনাহীগী অশাবা শক্তম ওইরমগনি হায়বা ৱাফম থম্বা য়াওই। কংলা হোংবা চহীসিদা মৈতিংঙু খাগেম্বনা কংলাদা খাখোং লাইখোং, মরোং খোং অহুম্মকপু তৌদুনা শেল্লম্মী। হৌজিক ফাওবদা খোং অহুমসিগী লাইজ ঈশিং শোক্লগা চৈরাওবা নুমিৎকী অয়ূক্তা ইরু শাতেংলবদি কুম অদুগী ফত্তবা, তুরৈ-ইরৈ চেনবা পুম্নমক কোকই হায়দুনা হৌজিক ফাওবা তৌনরি। অতৈ অরুবা লাইগী থৌরম তৌবা মতমদা খোং অহুমসিগী ঈশিং শীজিন্নবা য়াওই।

খৃ: ১৬৩২দা সনা কোনুংগী সনথোঙ চেক্লা শাবগা লোয়ননা কোনুংবু ফজহন্নবা অকোয়বদা থাঙ্গপাৎ তৌরগা ঈশিং পিক থন্না থাজিন্দুনা থম্বসিদা মৈতৈ লান্মীশিংবু ঈশিংগী লান্দা হি হোনবদা হৈশিংবা ওইহনবা/তান্নবদা পূক্নিং থৌগৎলম্মী। হিয়াং লমজেল তান্নহন্দুনা লৈবাক মীয়াম্বু কুম্মৈ য়েংহল্লম্মী।

খুরাই লূপ্পা কংলা কোনুং থৌগনবদা খুদোং চানবগীদমক্তা ‘নোংপোক থোঙ কৌবা’ থোঙ অমা কংলা নুংজেং ইকোনগী মমাঙ ইম্ফাল তুরেলগী মথক্তা শাবগা লোয়ননা মৈতিংঙুনা মচা ইবুংঙোশিংবু লৈবাক্কী শাদা লান্দা হৈশিংবা হেনগৎহন্নবা লৈবাক্কী অকন অথৌ লান্মীশিংগা লোয়ননা খোমিতোক্তা লান তম্ফম শেমদুনা লান ঔরইহল্লি। মসি হৌজিক মালেমগী লৈবাক কয়াগী লান্মীশিং পূন্না লান ঔরাইবা হায়দনা ৱাখল মান্নবা লৈবাক খরগী ওইনা তোয়না তৌনরিবসিনি।

খৃ: ১৬৩৫গী হিয়াঙ্গৈ কুমচনবগী হিতোংবদা মৈতিংঙু খাগেম্বনা ‘লাইনিংথৌ সনামহী’ গা পূন্না হি তোংখিবসিদগী লাইগা মীগা পূন্না হি তোংবা অসি চৎনবা হৌরম্মী। মৈতৈনা শা তান্দুনা ফারকপা শা লাইদা কৎপগী থৌরম তৌনরম্বগী মতাংদা চহীসিদা থৌবালগী নামুন চীংদা শা তানবদা লমশন ফারগা পুরকপদু লাই কশাদা কৎলম্মী। অতৈ লাইগী খুভমশিংদসু শা অদুবু য়েন্দুনা কৎলম্মী। লাইদা কৎপা শা অদুবু ময়াম থোংদুনা চামিন্নরম্মী।

খৃ: ১৬৪৪দা লাইয়িংথৌ খাগেম্বগী মচা ইবুংঙো অতোনবা নোংপোক থোংফেনথৌবা তোনাবনা নৌশেম চনু পথেৎলৈমা তাঙজাখোম্বী পান্নদুনা অনীশুবা মচা ইবুংঙো পাইখোম্বা পোকই।

লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা অচুম অরান ৱায়েনবা মতমদা - খাংজেংনা লেপ্পা খঙসনু হায়দুনা খাংজেং পন্না ৱাশকপদা মীয়াম্না য়াম্না কিনবদগী কোন্না কায়নথংদা অচুম অরান ৱায়েলগী মতাংদা ‘খাংজেং লাইরেম্বী’ হায়না লাৎপা হৌরকখি।

লাইয়িংথৌ খাগেম্বনা লৈবাক অসিদা ফৌ চেঙ তাইবা অমসুং লৈবদা খুদোংচানবা, ফৌ-চেঙ ওনবগী পথাপ পুথোক্তুনা শীজিন্নরম্মী। ফৌ ওনবগী মতাংদা - খুলাক (মুট) ১২না উতোং অমা; উতোং ১২না লাইতং ১; লাইতং ২না লিখাই ১; লিখাই ২না শংপাই ১; শংপাই ২না পোৎ ১ শাই। চেঙ ওনবদা - খুলাক (মুট) ১২না উতোং ১; উতোং ৩০না চেঙকোক ১ শাই। লম ওনবদা খুদোং চানবা, সনা লমচৈ/লাংচৈ - হায়বদি পাম্বোম অনী তিংথোক্লগা ওনবা অশাংবা অদুদা খুদোল মরি হাপ্পগা ফংবা অশাংবা সনা লমচৈ হায়বসি পুথোক্তুনা চৎনরম্মী।

নোংমগী ওইবা মতমবু খঙনবা পুং পুথোক্তুনা শীজিন্নবা হৌদোক্লম্মী। মসিবু য়েংশিন্নবা তানয়ৈশঙ হায়বা অমা লিংলগা তানয়ৈবা অমনা মতমবু খঙনা তান য়ৈরম্মী।

মৈতৈগী হান্নদগী লৈরক্লবা মৈহৌবরোল যূমচংবা পুয়াবু অমুক মৈতিংঙু খাগেম্বগী সনা হাক্তক্তা নৌনা ইবা মৈহৌরোল অদুবু মৈতিংঙু খাগেম্বগী মমিং লৌদুনা ‘খাগেম্বা যূমলেপ’ অমসুং ‘খাগেম্বা যূম্বী’ কৌরম্মী। খুরোই হাওবা লম্মাংদোংগী য়াঙ্গোইদা শোক্লখিবা লান্দা ফারকপা ‘লানফা’ ময়ামগী মরমদা ইবা অদুবুনা ‘খাগেম্বা লানফা’ থোল্লম্মী।

মৈতিংঙু খাগেম্বগী মতুংদা পাল্লকপা নিংথৌশিং খরনা ইরমসিদা কয়াম মাঙ তাকহল্লম্বা হায়বসি মথং-মথং নৈনজরক্কে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।